# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 31-07-2024)**

**ৰাশক (এল)ঃ** শ্রী লক্সমন প্রসাদ অচ্যারিয়া, ঙসি মনিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ৰাশক লৌরগনি। ৰাশক লৌবগী থৌরম ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা অয়ুক পুং ৯ মখায়দা পাঙথোক্কনি।

মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ৰাশক লৌরগদবা লক্সমন প্রসদা অচারিয়া ঙরাং ইম্ফালদা থুংলখ্রে। মহাকপু রাজ ভবনদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, চীফ সেক্রেটরিনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়ানা তরামা ওকখি।

**এসেমব্লি (এল) ঃ** ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী তরুকশুবা মীফম ঙসিদগী হৌরগনি। পুন্না সিত্তিং ৯ লৈগদবা মীফম অসি মথং থাগী ১২ ফাওবা চঙ্খগনি।

অহৌবা নুমিৎতা বিধান সভাদা ৰাহং পাউখুম, বিজিনেস এদভাইজরি কমিতিগী রিপোর্ট পুথোকপা, ২০১৮-১৯ গী দিমান্দ ফোর এক্সেস গ্রান্ট পুথোকপা, শেল থুম মন্ত্রিনা ২০২৪-২৫ গী বজেৎ ইষ্টিমেট পুথোকপা অমদি রাজ্যপালগী ভাষন থাগৎপগী খন্ন-নৈনবনচিংবা য়াওরি। মীফম মনুংদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী দিমান্দশিং সভাদা খন্নদুনা পাস তৌগনি।

বিধান সভাগী মীফম অসিগী লাইফ টেলিকাষ্ট-দি.দি. মনিপুর চেন্নেলদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দগী হৌনা শন্দোক্কনি। দি.দি. মনিপুরগী য়ু ট্যুব চেন্নেলদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি।

অমরোমদা, মনিপুর বিধান সভা মীফমগী য়েংলগা মীয়ামদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা অমদি খুদোংচানবগীদমক বিধান সভাগী অকোইবদা থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগা মীফম লোইদ্রিবা ফাওবা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা লৈগনি হায়না রাজ্যগী ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসকী চেরোল অমনা হায়রি।

শঙাকফমলোমদগী লাকপা চাকা মরি পানবা অচৌবা গাড়িশিং সলাম থোংরোমদা, খোঙনাং অনি করক্তা লাকপা গাড়িশিং দিকু রোড ফাওরগা লমলোং থোং অমদি এম.এম.টি.এ লন্থী রোমদা চৎখিগদবনি।

ৱাথম লৈরক্তা লাকপা গাড়িশিং থাংমৈবন্দ লন্থী ফাওরগা খোয়াথোংরোমদা, খোয়াথোংদগী লাকপা গাড়িশিংনা এল.আই.সি লন্থী রোমদা অদুগা শিংজমৈদগী লাকপা গাড়িশিং পিশুমথোং লোমদা ফাওরগা চৎখিগদবনি হায়রি।

খোঙনাং অনি করক্তগা লিলাসিংহ খোঙনাংখোঙ ফাওবগী লন্থীদা গাড়ি অচৌবা অমত্তা ফাওরকপা য়ারোই। অথু অকায়গা মরী লৈনবা গাড়িশিংদি অথিংবা অসিনা কোনশিল্লোই হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-থৌবাল জিলাগী তেকচম মনিং চিংদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-স্নাইপর রাইফল অমা, বোল্ট রাইফল অমা, মরু য়াওবা নাইন এম.এম. পিস্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ তরুক, দিটোনেটর তরুক, স্মোগ সেল অমা য়াওরি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমদি জিলা অসিগী জোনেল এদুকেসন ওফিসার জিলা অসিগী লোংমাই পার্ট থ্রিদা লৈবা নোনে এদেদ প্রাইমারি স্কুল অমদি তেংখোংজাং হয়ার সেকেন্দরি স্লদা মিদ দে মিলগী স্কিম মপুং ফানা চথরিব্রা হায়বদু য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা স্কুলশিং অসিগা মরী লৈনবা হীরম কয়াসু য়েংশিনখি

**কেরলাঃ** কেরলাগী ৱায়ানন্দদা চিং নিংখায়বগী থৌদোক্তা শিখিবা মীগী মশিং ১১০ শুরে। মীওই কয়ানা অশোক অপন নংলে। ভারত লান্মী অমসুং নেভিগী মীওইশিংনা মফম অদুদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চঙ্খরি।

হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৫০ কনবা ঙমখ্রে। এন.দি.আর.এফকী দিপ্যুতি কম্মান্দেন্ট-এস.শঙ্কর পনদিয়াননা হায়-ৱায়ানন্দগী তোঙা নতোঙানবা মফম কয়াদা এন.দি.আর.এফকী টিমনা মী কনবা অমদি তেংবাং পীবগী থবক চঙ্খরি। রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপদি-জগদিপ ধনকর অমদি প্রধান মন্ত্রিনা থৌদোক অসিদা লৈখিদবশিংগী মফমদা অৱাবা ফোংদোরক্লি। প্রাইম মিনিস্তরস নেসনেল রিলিফ ফন্দগী মখাদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ অনি অনিগী ক্ষেতিপুরোন পীরগনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা লাউথোকখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খুৎ-শা হৈহনবা অমদি থবক ফংহনবদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

কেন্দ্রগী বজেট ২০২৪-২৫ গী মতুংদা ভারতনা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী লন্বী হায়বগী মতাংদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা মীফমগী হৌদোকপদা ৱাফম অসি প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি৷ মহাকা হায়-মীয়ামদা থবক পীরিবা এম.এস.এম.ইশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

শ্রী মোদিনা হায়-ভারতগী শেলগী থুমগী ফিভম অসি ফগৎলক্লি। মসিনা ভারতপু মালেমগী শেল থুমগী লমদা অহুমশুবা মফমদা লৈহনবা ঙল্লগনি। সরকার অসিনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপরোমদসু খুমাং য়াংনা চংশিল্লি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপতি মুরমুনা সভাপতি ওইদুনা নুমিৎ চঙ্খগদবা রাজ্যপালশিংগী মীফম লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা ন্যু দিল্লিদা হৌদোক্লগনি। মীফম অসিদা হন্দক্তা নৌনা চৎনখিবা ক্রিমিনেল লো অহুম, য়ুনিভরসিতিশিংগা লৈনবা ৱাফমশিং অমদি রাজ্যপালশিংনা কেন্দ্রগী এজেন্সিশিংগা লোয়ননা থবক

পায়খৎকদগে হায়বগী মতাংদা মপুং ওইনা খন্নগনি।

মীফম অসিদা উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকর, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ অমদি অতৈ মন্ত্রিশিং য়াওনা অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াগনি।

**ভিয়েটনামঃ** ভিয়েটনামগী প্রধান মন্ত্রি-ফম-মিন-চিন, নুমিৎ হুমনিগী ভারত খোঙচৎতা ন্যু দিল্লিদা থুখ্রে। খোঙচৎ অসিদা মন্ত্রিশিং, ডদ্যোগশিংগী লুচিংবশিং য়াওবা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমগা লোয়নরি।

মহাকা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা চাকলেন অমা চামীন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা মরিগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি। শ্রী চিননা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকর, মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করগসু উন্নগনি।

**পেরিসঃ** পেরিস ওলিম্পিকক্তা, ঙসি বোক্সিংদা ভারতকী লফলিনা বোরগোহেন অমদি নিশান্ত দেব অনিনা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল শান্নরগনি। ন্যুগী সুট্টিংগী মিটর ৫০ গী কাংলুপ্তা আইশ্বরি প্রতাপ অমদি স্বাপনিল কুসেল ফাইনেল রাউন্দ চংলবা য়ানা লৈরে।

মেদল টেল্লিদা-জপানগী সনাগী তরেৎ, লুপাগী অনি অমসুং শেঞ্জেংগী মরি পুন্না তকমান ১৩ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি। চাইনানা অনিশুবা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা অহুমশুবদা লৈরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরগী গভনর ওইরগদবা লক্সন প্রসাদ ইম্ফালদা থুংলরে, এসেমব্লি সেসন মাংওইননা ঙসি অয়ুক ৱাশক লৌরগনি হায়না পাউনা মনিপুর ন্যুজতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি মনিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা শান্তি পুরকবা এম.এল.এ. ৪৯ গী মনুংদগী অমবু সি.এম. ওইহনবদা অশুক লুরিবা করিগীনো হায়বা এম.পি. অলফ্রেদনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোংদোকখিবা পাউনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-তমেংলোংদা চিং নিংখায়বদা মমা-মচা শিরে,, মপানা লায়কন্নরি, জিরি লম্বীদা চীং নিংখায়দুনা চৎথোক চৎশিনদা খুদোং চাহন্দ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

খুমলেন পাৎ মুৎখিবা য়ানা লৈরে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-কেরলাদা চীং নিংখায়বদা মীওই ৯৩ শিরে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঙসিদগী ১২ শুবা এসেমব্লিগী ৬ শুবা মীফম হৌরগনি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ চে অসিগী অহানবা হেদলাইনদা মনিপুরগী চীফ মিনিস্তর শিন্দোক্লগা ইং তপ্পা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবা য়াদব্রা হায়বা এম.পি. অর্থরদা পার্লিয়মেন্টতা পুথোকখিবা ৱাফমনা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা অঙাংবা মচুনা সব হেদলাইন তৌদুনা 'প্রাইম মিনিস্তরগী মন-কি-বাট চহি ১০ তাদুনা লাক্লে, ময়ুমদা হঞ্জিনবা ফংদ্রিবা মনিপুরগী নুপী অঙাংশিংগী তেংথাখোলদি তাবা য়াদব্রা' হায়না ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-উখ্রুলদা উ চারা থাখিবগী পাউনা মোরনিং বেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

য়ুনাইটেদ নেসনগী রিকমেন্দসন, ইপফম অমদি হ্যুমেন রাইট এলার্টনা তরামা ওকখ্রে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নিলাকুথিদা লৈবা কোল্ড ষ্টোরেজ মথৌ তৌদ্রে হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মহৈ লোইশঙশিংদা অয়েৎ অপন পীদনবা ৱাকৎ মীফম চংশিনখিবগী পাড পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-মনিপুরগী নৌনা ৱাশক লৌরগদবা রাজ্যপাল-লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়া ইম্ফালদা য়ৌরকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চিং নিংখায়বদা মমা-মচা লৈখিদ্রে, অনি অমনা শোকপদগী লায়কন্নরি হায়বা পাউনা গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিল হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা সেনাপতিগী হোস্পিতালদা এ.বি.দি.এম. স্কেন এন্দ সিয়ার ফেসিলিতি হাংদোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।